# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-07-2026)**

## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ২৭-০৭-২০২৬, )

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ভারত্তা পরিক্ষাগী মওং মতৌ শেমদোকবা হাই পৱর তাক্স ফোর্স শেম্লগনি হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে।

২) সরকারনা ঙসি লোক সভাদা পাব্লিক ইগজামিনেসন্স (প্রিভেন্সন ওফ অনফিয়ার মিন্স) এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৬ পুথোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমসতা মিরাবাই চনুনা অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা ভারতকী অহানবা সনাগী তকমান লৌরে।

----

**মোদি ঃ** ভারত্তা পরিক্ষাগী মওং মতৌ শেমদোকবা হাই পৱর তাক্স ফোর্স শেম্লগনি হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে। তাক্স ফোর্স অসি শকাইরবা টেকোলোজি এক্সপর্ট নন্দন নিলেকানিনা লুচিংগনি।

ভিদিও মেসেজ অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-তাক্স ফোর্স অসিনা পরিক্ষাগী

মওং মতৌ য়েংশিনবদা অহেনবা মীৎয়েং চংগনি। তাক্স ফোর্স অসিনা পীখৎলকপা ৱাফমশিংদা য়ুমফম ওইরগা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা তুংদা লাক্কদৌরিবা পরিক্ষাশিংদা অরান অহুই য়াওদনবনি। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লিবা পরিক্ষা অসি মীয়ামদা থাজহনবা, মনুং মপান ফাওনা উহনবা অমদি টেকোলোজি নিংথিনা শিজিন্ননবা হোৎনগনি। শ্রী মোদিনা হায়-তাক্স ফোর্স অসিদা হান্নগী ইন্তল্লিজেন্স ব্যুরোগী দাইরেক্তর তপন দেকা, ইসরোগী হান্নগী চেয়রমেন এস.সোমাথ, আই.আই.টি চেন্নাইগী দাইরেক্তর ভি.কমাকোতি, হান্নগী ইদ্যুকেসন সেক্রেটরি অনিতা করুৱাল অমসুং লোজিস্তিক এক্সপর্ট অমৃট লাল মিনা য়াওরি।

**বিলঃ** সরকারনা ঙসি লোক সভাদা পাব্লিক ইগজামিনেসন্স (প্রিভেন্সন ওফ অনফিয়ার মিন্স) এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৬ পুথোক্লগনি।

বিল অসিনা পাব্লিক ইগজামিনেসন্স (প্রিভেন্সন ওফ অনফিয়ার মিন্স) এক্ট ২০২৪ শেমদোকবনি। বিল অসি সভাদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা পুথোক্কনি। পরিক্ষাগী পেপর লিক ওইবা অমসুং পরিক্ষাদা অরানবা পাম্বৈ শিজিন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীনবা পান্দমদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা ফাষ্ট ত্রেক কোর্ট লিংনবা দ্রাফট বিল অয়াবা পীখিবনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়রি।

বিভাগ অসিনা হায়-বঙ্কোপ সাগরদা দিপ দিপ্রেসন লৈবনা মরম ওইদুনা উরিষাগী মফম কয়াদা কুমগী নোং কনশিল্লক্তুনা ঙসি নোং কন্না চুগনি হায়না রেদ এলর্ট লাউথোকখ্রে। চেকশিল থৌরাং ওইনা রাজ্য সরকারনা ময়ুরভন্স অমসুং জগটসিংপুর জিলাদা লৈবা মহৈলোইশঙ পুমমক ছুতি থাদোকখ্রে। ঙামীশিং য়ারিবমখৈ শমুদ্রদা চত্তনবা চেকশিল ৱা থমখ্রে। সরকারনা মফম কয়াদা

খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও অমসুং ঈশিং থুমজিনবগী থৌদোকশিং থোক্লকপা য়াই হায়না চেকশিন্নবা লৈনবা খঙহল্লি।

**গেমস ঃ** গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমসতা মিরাবাই চনুনা ভারতকী অহানবা সনাগী তকমান লৌরে। ঙরাং শান্নখিবা কিলোগ্রাম ৪৮ গী নুপীগী ৱেটলিফতিংদা মিরাবাই চনুনা পুন্না কিলোগ্রাম ১৯০ থাঙ্গত্তুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি। চহী ৩১ সুরবী বেটলিফতর অসিনা স্নেচতা কিলোগ্রাম ৮৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১০৫ থাঙ্গত্তুনা অনৌবা কম্মনৱেলথ গেমস রেকোর্দ থমখি। মহাকা কুমজা ২০১৮ অমসুং ২০২২ দসু সনাগী তকমান লৌখি।

মিরাবাই চনুনা সনাগী তকমান লৌরকপদা উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি.রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রিন নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহ, মণিপুর রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, এম.এল.এ থোঙাম বিস্বাজিৎ সিংহনচিংবনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নুপাগী বোক্সিংগী কিলোগ্রাম ৫৫গী কাংলুপ্তা মনদেংবম জাদুমনি সিংহ ক্বাতর ফাইনেল চংখ্রে। গেমস অসিদা ভারতনা হৌজিক ফাওবদা সনাগী তকমান ১, লূপাগী ২ অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান ১ ফংলে।

**পুলিস (এল)ঃ** মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাখা চীংদগী য়ান্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ঙরাং ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-স্পিসিয়েল কম্মান্দো য়ুনিটকী এস.পি ডা.এস.ইবোমচা সিংহনা লুচিংবা কাংবু অমনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা থি হুন্বগী থবক চত্থখি। মদুদা সেলোই লংমাই কম্পোজিট ফার্মগী মায়োকবদা লৈবা ৱাখা চীংগী উমং অমদা প্লাস্তিক বেগ ৪ দা হাপ্তুনা থম্লম্বা খুৎশু খূৎলাই ২৯ ফাগৎপা ঙমখি। খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা, এস.এল.আর ৫, ইন্সাস ৪, এ.কে ঘতক ২,

ইন্সাস এল.এম.জি ১, থ্রি নোট থ্রি রাইফল ৬, দবল বেরেল নোংমৈ ৩, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৭, পম্প এক্সন নোংমৈ ১, লেথোদ বোম ১ অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু কয়ামরুম ফংবা ঙম্লে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদগী মীওই অমা ব্রাউন্দ সুগরনি চিংনবা কিলোগ্রাম ২ মখায়গা কোন্ননা ফারে। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি(সিতি মৈতৈ)গী মীওই অমা থোংজ্ পার্ট টুদগী ফারে।

**থোং (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি থৌবাল তুরেল মথক্তা শাবা থোং অনি শঙ্গারগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা খুন্দোংবম মপাদা শাবা অমসুং ৱাংখেম সিফাই লৈকাইদা থৌবাল তুরেলগী মথক্তা শাবা থোং অনি অসি ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাগনি। মসিগী মথক্তা অন্দ্রোদা নৌনা শেমগৎপা ইমা মার্কেট অমসু শঙ্গাগনি । অন্দ্রো বজারদা লৈবা পুরৈরোম্বা শংলেনদা রাজ্যগী পব্লিক ৱার্কস বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা এম.এল.থৌনাওজম স্যামকুমার শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মিরাবাই চনুনা কম্মনৱেলথ গেমস তা সনাগী তকমান লৌবা ঙমখিবা, কার্গিলগী লানফমদা লৈখিদ্রবা লান্মীদা সর্ধাঞ্জলি কৎপা, এস্ত্রোফিজিক্সিস রোনালদোবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎখিবা পাউশিংনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

মিরাবাই চনুনা গেমস রোদ থমদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড লৌরে, গোল্ডন হেট ত্রিক ফংলে হায়বা পাউ অমা- পোকফম পাউচেদা অহানবা

হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। চনম্বম রিসিকান্ত ৱেটলিফতিংদা সিলভর লৌরে, স্নেটচতা, গেমস রেকোর্দ থমখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্তদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

কার্গিল বিজে দিবসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে, নহাশিংনা থৌনা ফবা লান্মী অমা অমসুং মখোয়না কখোল্লকস্বশিংগী ইহুল লৌগদবনি হায়বা গভর্ণরগী ৱাফমনা- হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

এস্ত্রোফিজিক্সিস রোনাল্ডোবু পি.এমনা থাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

দুরান কপ মেটচকা মরী লৈননা ত্রাফিক এদভাইজরি থোকখ্রে হায়বা পাউ অমা- সনালৈবাক পাউচেদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

স্পিসিয়েল কম্মান্দোনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাখা চীং এরিয়াদগী যাল্লবা খূৎলাইশিং ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা- নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

নেসনেল হায়ৱে- ৩৭ তা মাল পুবা ত্রক লিশিং ১ পন্দুনা লৈরে হায়বা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সরকারগী স্কুল ফগৎলক্লি হায়বা চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা- মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

অমুকোনা ওগষ্ট ৪ দা ইন্তিগ্রিতি ডে পালন তৌনবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ অমা- দ পিপলস ক্রোনিকলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

লোক সভানা অনৌবা এন্তি পেপর লিক বিল মথৌ তৌহন্নবা য়েংশিল্লগনি হায়বা জিতেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা- গানফিউ মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- নাসা মুক্ত য়ুভ ফোর ভিক্সিট ভারতকী থৌরম নোনেদা পাঙথোকখিবগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- সোংসোং ভিলেজ ওথোরিতিনা বিস্বেমা ভিলেজ কাউন্দিলদা মাউন্ট ইসিগী মতাংদা অইবা অমা পীশিনখিবগী পাউ হেদলাইন তৌদ্‌না ফোঙলি।

--**পাউ লোইজরে**--